# সনালৈবাক স্পোর্টস

TUESDAY, JUNE 3, 2014, PAGE 7



*পেপসি আই পি এলগী ফাইনেলদা*
*মায়পাক্লবা কোলকাটা নাইট রাইদসকী*
*মুনিস পান্দেনা হাল্ফ সেঞ্চুরি অমা য়ৈখিবা*

*ফ্রেন্স ওপন্দা শরুক য়ারিবী অজলা*
*তোমালজানোভিকনা মায়পাকপদা*
*হরাওবা ফোংবা*



## ইংলেন্দগী টিম ব্রাজিলগী সিটি অমা ওইরিবা মাইমিদা থুংখ্রে





*রিও দি জানৈরো, জুন ২ঃ*

ৱার্ল্ড কপকীদমক অহানবা ওইনা আষ্ট্রেলিয়া টিম থুংখ্রবা মতুংদা ঙসি মাইমি সিটিদা ইংলেন্দগী থুংলখ্রে।

টিম অসিনা গ্রুপ বিদা লৈবগা লোয়ননা জুনগী ১৪দা ইটালিগা মানুসতা অহানবা মেটচ শান্নগনি, অনিশুবা লিগ মেটচতনা সাও পাউলোদা উরুগেগা শান্নগনি অদুগা লিগকী অরোইবা ওইনা বেল্লো হোরিজোন্দা কোষ্টারিকাগা জুন ২৪দা শান্নগনি।

ইংলেন্দগী টিমনা মফম অসিদা ঙসি হেক থুংলবগা মখোয়গী টিমদা য়াওগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং পীখৎনবা শেম শাখ্রে। লোয়ননা তাং ৪দা মাইনিদা ফ্রেন্দলি মেটচ ওইনা ইক্যুদোরগা শান্নগনি অদুগা তাং ৭তনা হুন্দুরাসকা শান্নগনি।

টিম অসিগী মেনেজর ওইরিবা রোয় হোৎসন্না হায়খিবদা ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা কপ অসিগীদমক শান্নরোইশিং অসি অমগা অমগা কোর্পরেসন লৈনবা অজসমেন্ট তৌখিগনি। মসি য়াম্না চাউবা থৌদাং অমনি।

কপ হৌরবা মতুং নুমিৎ নিনি শুবদা মখোয়না ইটালি টিমগা থেংনগদৌরিবা অসিগীদমক্তসু শেম শাগনি লোয়ননা হৌদোক্কদবা নুমিৎ নিনি ৱাৎলিঙৈদা টিম অসি মপুং ফানা ফিট ওইনবা হোৎনগনি।

ইংলেন্দগী টিমনা মফম অসিদা য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মমাংদা অরোইবা ওইনা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবদা পেরুগী মাইয়োক্তা গোল অহুম চনবা ঙমখি হায়না মখোয়গী লৈফম ওইগদবা মাইনিগী হোটেল অমদা ফোংদোকখি।

মশাগী চহি ৬৬ শুরবা টিম মেনেজর অসিনা ফোংদোকখিবদা টিম অসিনা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক অচৌবা মংলান কয়া পুদুনা মফম অসিদা য়ৌরকখিবনি। মংলানশিং অসি মায়পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা শাফু কয়াদি মাইয়োক্লবা তাবনি।

মহাক্কা মখা তানা হায়খিবদা টিম অসিগী ওইনা মরু ওইবা ফোরৱার্দ ওইগদৌরিবা শান্নরোই অসি ফ্রেঙ্ক লম্পার্দনি। লম্পার্দ য়াওনা হৌজিক মাঙদা পাংথোক্কদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদা শরুক য়াগনি।

প্লে অসিগী মখা থংবা শরুক্তা শান্নগদবা শান্নরোইশিং অসি অফবা শান্নরোই মঙানা তোঙানবা মওংগী ফোর্মেসন্দা শান্নবা মওংদা শেম শাবা লোইরে লোয়ননা টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা ষ্টেফেন জেরাদনা মিদ ফিল্ডদা লৈগনি।

গোল কিপর জো হার্টনা হায়খিবদা টিম অসিনা মায়পাক্লা শান্নবগা লোয়ননা উরুগে, ইটালি অমদি কোষ্টরিকাবু মায়থিবা পীনবা হোৎনদুনা শান্নগনি হায়খি। মসিগীদমক্তা মখোয়না চহি ৪গী মমাংদগী ঙাইরকখিবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

টিম অসিবু শৌগৎলিবা মীওইশিংগী মনুংদা মতম অমগী শান্নরোই গেরি লিলিকারনা মে ১৩দা হন্দক্তি ইংলেন্দনা মায়পাকপা ঙমগনি হায়না থাজবা লৈ হায়না ফোদোকখি।

অমরোমদা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মনুংদা গ্রিসকী ওইবা শান্নরোইশিংগী লিষ্ট অমা পীখৎখ্রে। নৌনা পীখৎখিবা লিষ্ট অদু মীওই ২৩না শাখি মখোয়গী মনুংদা ষ্ট্রাইকর ওইনা কোটাস মিত্রোগোলৌ য়াওরি। মহাক অসি ইংলিস প্রেমিয়র লিগতা ফুল হামদা শান্নখিবনি।

মমাংদা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা গ্রিসনা রোমানিয়াবু ৪–২দা মায়থিবা পীবা অদুদা শান্নরোই অসি য়াওখি। মসিগী মথংদা লন্দনদা লাক্তুনা ফুল হাম টিমদা য়াওদুনা লাকখিবনি। টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই দিফেন্দর কাইরাকোলস পাপাদো পাউলোস শোকপা অসিদা প্রোটুগালগী মেনেজর ফ্রান্দদো সান্তোসনা মীৎয়েং থমলক্লি।

ফুল হাম টিমদা মিত্রোগোলৌগী টিম মেট ওইখিবা জোর্স কারাগোলনিসনা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইগদৌরি।

মশাগী চহি ৩৭ শুরবা শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী সিজন অসিদা ফুল হামগীদমক্তা মেটচ ১৪ শান্নখি। মসিনা মহাক্লা ৱার্ল্ড কপতা অনিরকশুবা ওইনা টিম কেপ্টেন ওইবনি।

মমাংগী পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদসু শান্নরোই অসিনা টিম কেপ্টেন ওইদুনা শান্নখি অদুবু গ্রিসনা লিগ মেটচ শান্নবা লোয়রবা মতুংদা মখা তাবা রাউন্দ চংবা ঙমদনা লৈহৌখি।

পাংথোক্কদৌরিবা কপ অসিদা গ্রিসনা গ্রুপ সিদা কালমবিয়া, জাপান অমদি কোষ্টরিকাগা পুন্না লৈমিন্নরি। টিম অসিগা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি Goalkeepers: Orestis Karnezis, Panagiotis Glykos, Stefanos Kapino. Defenders: Kostas Manolas, Jose Holebas, Sokratis Papastathopoulos, Vangelis Moras, Giorgos Tzavellas, Loukas Vyntra, Vasilis Torosidis. Midfielders: Alexandros Tziolis, Andreas Samaris, Giannis Maniatis, Kostas Katsouranis, Giorgos Karagounis, Panagiotis Tachtsidis, Giannis Fetfatzidis, Lazaros Christodoulopoulos, Panagiotis Kone. Forwards: Dimitris Salpingi dis, Giorgos Samaras, Kostas Mitroglou, Fanis Gekas.

অমরোমদা কপ অসিদা ফ্রেন্স টিমদা শরুক য়ারিবা ফ্রেঙ্ক রিবেরিনা লাওথোকখিবদা হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিনা মহাক্কী পুন্সিগী ওইনা কপ অসিদা শরুক য়াবা অরোইবা ওইগনি। অদুম ওইনমক য়ুরো ২০১৬দা মহাক্কী অরোইবা অচৌবা সোকরগী অরোইবা ইভেন্ট ওইগনি হায়খি। মশাগী চহি ৩১শুরবা শান্নরোই অসি ৱার্ল্ড কপ্তা অমদি ইন্টরনেসনেলগী এরেনাদা শরুক য়ারকখিবনা জর্মনদা পাংথোকখিবা ২০০৬কী কপ অদুদগীনি। কপ অদুদা ফ্রেন্সনা ফাইনেল ফাওবা য়ৌনবা হোৎনবদা মহাক অমদি মতম অদুগী টিম কেপ্টেন ওইখিবা জিনিদি জিদানগী অচৌবা খুৎ য়াওখি।

কপ অদুদা ইটালিগা ফাইনেল শান্নখি অদুবু ফুল টাইমদা ড্রো ওইবনা মরম ওইদুনা পেনালটি সুট আউট তৌবদা মায়থিবা নংদুনা ৱার্ল্ড কপ অদু লৌহৌখিদে। করিগুম্বা মদুদা লৌরম্লগদি ফ্রেন্সনা ৱার্ল্ড কপ অনিরক থংননা লৌবা লৈবাক অমসু ওইরমগদবনি।

ইং ২০১০দা সাউথ আফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা মমাংগী ৱার্ল্ড অদুদগী য়াম্না খেৎননা লৈখি। টিম অসি ফাষ্ট রাউন্দদা শান্নবা লোইরবা মতুংদা সেকেন্দ রাউন্দ চংবা ঙমদনা লৈহৌখি। ফ্রেন্সকী টিম অসি ইং ১৯৮৮দা ৱার্ল্ডগী টাইটল লৌখিবা অদুদা কেপ্টেন ওইখিবা শান্নরোই অমগী মখাদা ব্রাজিলদা লাকখিবনি। মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ ইদা লৈবগা লোয়ননা জুনগী ১৫দা হুন্দুরাসকা শান্নগনি অদুগা জুনগী ২০দা স্যুইজলেন্দগা শান্নরবা মতুংদা জুন ২৫দা ইকুদোরগা শান্নগনি।



## হোকি ৱার্ল্ড কপকী অনিশুবা মেটচতা ইন্দিয়া ইংলেন্দগা থেংনগনি

*হাগুইস, জুন ২ঃ*

নেদরলেন্সকী হাগুইসতা হৌজিক চত্থরিবা হোকি ৱার্ল্ড কপ অসিগী ওপন্নিং মেটচকী অরোইবা মেটচ ইন্দিয়া বেলজিয়মগী মখুত্তা গোল ৩–২দা মায়থিহৌরবা মতুংদ অনিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অথেংবদা ইংলেন্দগী শান্নরগনি।

টিম অসিনা ইংলেন্দগী মমাংদা থেংনখিবসি ইন্দিয়াদা পাংথোকখিবা হিরো হোকি ৱার্ল্ড কপ অদুদনি। মদুদা ইন্দিয়া ইংলেন্দগী মখুত্তা ২–০দা মায়থিহৌখিবনি।

মসিদসু নত্তনা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই এসলি জেক্সন হায়বা শান্নরোই অসি ইন্দিয়াদা পাংথোকখিবা হোকি প্রেমিয়র লিগ অদুদা য়ু এস দোল্লর ৭২,০০০ পীদুনা লৈবগা লোয়ননা লিগ অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইনি।

শান্নরোই অসি হৌকশু ইংলেন্দগী টিমদা শরুক য়ারি মহাক্লা টিম অসিগীদমক্তা শান্নরক্কদবা মওং অসি ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমদি কোচনা মাংজৌননা খংদুনা মহাকপু থিংনবা হোৎনগদৌরি।

টিম ইন্দিয়ানা পাংথোক্লিবা হোকি ৱার্ল্ড কপ অসিদা মমাংদা ইন্দিয়াদা শান্নখিবা অসিদা ৱার্ল্ড লিগ ফাইনেল অদুদা ইংলেন্দনা মায়থিবা পীখিবা অদুগী লমন শীংবা ঙম্নবা ইন্দিয়াগী কোচ অমদি শান্নরোইশিংনা কম্বাইনেসন ওইনবা হোৎনরি।

অমরোমদা ইংলেন্দনা য়ুরোপিয়ন ষ্টাইলদা মেটচ শান্ননবা ইন্দিয়াগী অনৌবা কোচ টেরি ৱেল্সনা মহাক্কী মখাদা টেক্নিকেল ডাইরেক্তর ওইনা রেলন ওদমান্সকা লোয়ননা থা ৬ চংনা ট্রেনিং তৌরি।

ইন্দিয়াগী চাউনা মায়থিবা অমা নংবগা লোয়না পোইন্ট অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদবা অহৌবগী ওইনা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেটচ অদু লোয়গদবা শুপ্নগী সেকেন্দ ১৫খক ঙাইরবা মতমদা গোল অমা বেলজিয়মনা চন্দুনা মায়থিবা নংখিবনি। করিগুম্বা গোল অসি চল্লমদ্রগদি ইন্দিয়া গোল ২–২দা বেলজিয়মগা ড্রো ওইরমগদবনি।

চত্থরিবা হোকি ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা কন্না হোৎনদুনা শান্নবগা লোয়ননা পাংথোক্কদৌরিবা মতাংগী টুনার্মেন্টশিংদা লাইনা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা হেলেন্দগী হোকি ৱার্ল্ড কপ অসি রেঙ্ক ৱাংবা লৈনবা মখা তাবা মেটচশিংদা কন্না শান্নরক্কনি।



ইন্দিয়াগী মেটচ অসি গ্রুপ এদা লৈবগা লোয়য়না অরিবা লৈবাকশিংগা থেংনগনি। মসিগী মথক্তা টিম অসিদা অফবা শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারম্বা শান্নরোই অনিসু ফ্রেন্দলি মেটচতা শোকপদগী মখোয়গী মহুত্তা অতোপ্পা শান্নরোই অনি হাপচিনখ্রবনি। নৌনা হাপচিল্লক্লিবা শান্নরোই অনি অসিনা নিংথিনা শান্নরগসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইন্দিয়ানা পোইন্ট একাউন্ট হাংবা ঙমদ্রি।

মেটচ অমা অনি য়ৌদ্রিবা ইন্দিয়ানা চাউনা নিংবা কাইবগী ৱাহন্থোক লৈতে। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা থেংনরিবসি বেলজিয়ম খক্তমক ঙাইহরি।

## ফ্রেন্স ওপন্দা অজলা তোমজালনোভিক মথং রাউন্দ চংখ্রে

*পেরিস, জুন ২ঃ*



পেরিসতা চত্থরিবা ফ্রেন্স ওপন্দা স্পেনগী ১৪শুবা সিদেদ ওইরিবী অজলা তোমজালনোভিকনা মহাক্কী নাক্লবা লম্বা ওইবী ক্রোএসিয়াগী কারলা সৌরেজনাভারোবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

শান্নরোই অসিনা কারলাসোরেজ নাভরোভাবু ৬–৩, ৬–৩দা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি।

শান্নরোই অসিনা অহুম সিদতা লৈরিবা অগনিষ্টকা রাদৱাসকাবু মমাংগী রাউন্দদা মায়থিবা পীরখিবনি। রাদৱাসকা হৌজিক হৌজিক অহুমশুবা সিটতা লৈরিবী শান্নরোই অমনি।

## কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা পেপসি আই পি এলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

*বেঙ্গলুরু, জুন ২ঃ*

পেপসি আই পি এলগী ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা কোলকাটা নাইদ রাইদর্সনা কিংস এলেভেন পাঞ্জবপু ৱিকেট অহুমদা মায়থিবা পীখ্রে।

কিংস এলাভেন পঞ্জাবনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবদা ওভর ২০ লোয়বদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৯৯ লৌবা ঙমখি। মসিদা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই ৱিদধিমেন সাহনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখি।

অদুম ওইনমক বেঙ্গলুরুদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা লাষ্ট ওভর অদুদা য়াম্না অঙকপা মওংদা কোলকাটা নাইট রাইদসনা রন লৌবগা লোয়ননা মখোয়না থল্লন্নিবা টর্গেত রন ২০০ অদু য়ৌবগা লোয়ননা ৱিকেট অহুমদা মায়পাকখি।

টিম অসিনা মায়পাকপদা মনিস পান্দেনা বোল ৫০দা রন ৯৪ লৌবা ঙমখি। ফাইনেল মেটচ অসিদা কোলকাটা নাইট রাইদসকী গৌতম গম্ভিরনা টোস ঙম্বগা লোয়ননা ফিলদিং খন্দুনা শান্নখি।

লোয়ননা বিরেন্দর সেৱাগ অমদি মনান ভোরানা ওপনর ওইদুনা শান্নখি। মখোয় অনিগী পার্টনর সিপ অদুনা রন ২৩ লৌরবা মতুংদা উমেস য়াদবকী বোল অমদা কোলকাটা নাইট রাইদসকী গৌতম গম্ভিরনা ওকপগা লোয়ননা বিরেন্দর সেৱাগ রন ৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

জোর্স ভেলিনা য়াম্না থাজদনা সুনিলগী অহানবা বোল অমদা রন অমা লৌনবা হোৎনবদা আউট ওইখি।

কোলকাটা নাইট রাইদসকী টিমনা কিংস এলেভেন পঞ্জাবপু অকনবা প্রেসর পীবগা লোয়ননা রন ৩৭ লৌবা মতমদা ৱিকেট ২ তুহনখি। মখোয়গী গোহরা অমদি সহানা য়াম্না ফজনা পার্তনর ওইদুনা ময়াই চল্লকপা শরুক্তা নিংথিনা শান্নখি।

সাহনা টিম অসিগীদমক সেঞ্চুরি ফাওবা য়ৈখি। মখোয়না য়াম্না কন্না শান্নবগা লোয়ননা ওভর ১৫ মপুং ফাবদা রন ১৩১ লৌখি। কিংস এলেভেন পঞ্জাবকী গোহরানা রন ৬৭ লৌরবা মতুংদা পিয়ুস চৌলাগী বোল অমদা আউট ওইখি।

ওভর ২০ মপুং ফাবদা কিংস এলেভেন পঞ্জাবনা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ১৯৯ লৌখি। কোলকাটা নাইট রাইদসনা মসি পাউখুম পীনবা শান্নরকপদা ৱিকেট মশিং য়াম্না তুখি। টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা গৌতম গম্ভিরনা রন ২৩ লৌরবা মতুংদা আউট ওইখি।

মহাক্কা পুন্না ওপনর ওইমিন্নখিবা মুসি পান্দেনা য়ুশুপ পাথনগা পার্টনরসিপ ওইমিন্নদুনা মখা তানা টিম অসিগী রন লৌনবা হোৎনখি। টিম অসিগী শান্নরোই উথাপানা শুপ্নগী রন ৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ওভর ৬ মপুং ফাবদা রন ৫৯ খক্তমক লৌখি। য়ুশুপ পাথন বোল ২২দা রন ৩৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ওভর ১৫ মপুং ফাবদা ৱিকেট ৩ তুবদা রন ১৫১ লৌবা ঙমখি। মুনিস পান্দেনা বোল ৫০ রন ৯৪ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোই ওইখি।



## দিবোং জি পিনা ৭শুবা মখান লাল ভেটেরানগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*জিরি নীউজ নেটৱার্ক*
*জিরিবাম, জুন ২ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ৭শুবা মখান লাল মেমোরিয়েল ভেটরান ফুটবোল ঙসি লোয়শিনখ্রে।

টুনার্মেন্ট অসি মমাং থাগী ১৯দগী চত্থরকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা দিবোং জি পি ভেটরান ফুটবোল ক্লব জিরিবামনা সাউথ বারাক ভেটরান ফুটবোল ক্লব কাছার আসামবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

টিম অনিনা য়াম্না নিংথিনা শান্নখি অহানবা হাল্ফকী মতমদা সাউথ বারাক ভেটরান ফুটবোল ক্লব কাছার আসামগী শান্নরোই মেরাচৌনা ১৩শুবা মিনিটতা গোল অমা চনবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা সাউথ বারাক ভেটরান ফুটবোল ক্লবনা মাংজিল থাদুনা লৈখি। সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিনা মখা তানা শান্নরকখি।

মেটচ অদুগী ৩২শুবা মিনিটতা দিবোং জি পি ভেটরান ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোই এস সুরেসনা গোল অমা চন্দুনা ড্রো ওইহনখি।

সাউথ বারাক ভেটরান ফুটবোল ক্লবনা বোল হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচ অসিগী ৪২শুবা মিনিটতা দিবোং জি পিগী টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২–১দা লৈহনখি। অপিবা মতমগী মনুংদা সাউথ বারাক ভেটরান ফুটবোল ক্লবনা পোরিবা পাঞ্জিল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থিবা নংদুনা রানর্স ওপ তাখি।

ঙসি লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পারিষটকী উপা অধ্যক্ষ টি ঐচ ইবোমচা সিংহ, য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্ট ওফিস জিরিবামগী সুপ্রিন্টেদেন্ট এন তিলোক সিংহ অমদি কালিনাগর জিরিবামগী দোনর্সসু ওইরিবা তোপোস রোইনা মথং শিথনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর্স ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা পীখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা অজিস হাইদরনা সেন্টর ওইনা, টি ঐচ নীলকমল সিংহ অমদি ও বিসেশ্বরনা এ আর–১ অমদি ২ ওইবগা লোয়ননা এল অনিলকুমার সিংহনা ফোর্থ ওফিসেল ওইদুনা কন্দক তৌখি।

টুনার্মেন্ট অসি জিরিদগী টিম ৪ অদুগা কাছারদগী টিম ২ পুন্না টিম ৬না শরুক য়াখিবনি।

